# ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ২২




রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

**Raziya Sultan :** 1236-1240 না দেল্লিদ লান শোক্লদুনা নৈখায়রমগনি অদুম ওইনমক কলচরগী লমদসু চাওখৎনবা থবক থৌরম কয়া অমসু তৌরমগনি হায়বসি Persian and Arabian শিংগী ফজরবা কলচরশিং ইন্দিয়াদা চঙলম্বগী থাজবা লৈ। Persian and Arabian culture শিংগী ফজরবা আর্ট ফোর্ম ময়াম অমসু ঙসিগী ইন্দিয়ন আর্ট ফোর্মশিংগা য়ানশিন্নদুনা য়াম্না ফজরবা মখল মথেলগী আর্ট ফোর্মশিং ময়াম অমনা অতাবা, অয়েংবা মীয়ামশিংদা নুংঙাইবা পীরি।

Raziya Sultan না তাইবঙপান থাদোকখিবসি য়াম্না চিংননীংঙাই ওইবা মরম য়াম্না লৈ। Raziya Sultanate তা নিংথৌ ওইবগী মতম অসি য়াম্না তেল্লন্মী অমসুং খুদোংচাদবা কয়ানা লাঙ্গৌই চল্লন্মী। মতম অদুগী কোনুংগী নোবেলশিংনা মহাকপু য়ারমদে অদুগা লোয়ন-লোয়ননা নোবেলশিং অদুগী মখূত্তা শক্তি পূম্নমক থম্বা পাল্লন্মী। মতম অদুগী নোবেল নিফুনা (Chahalgani) নুপীনা লৈবাক ঙাকপা শুংপাম পাল্লমদে। মরম অসি লৈবনা Raziya Sultan গী মায়োক্তা নিংথৌ শেম্বগী শরৌ শিল্লন্মী। মরম অসি লৈবদগী নোবেলশিং অদুনা Raziya Sultan বু দেল্লিগী ৱাংমদা লানফম মচা অমদা অরোইবা য়াহিপ তালহনখি। মতাং অসিদা নৈনবা য়াবসি Raziya Sultan গী কলচরেল পোলিসিগা মহাকপু অরোইবা য়াহিপ তালহনখ্রিবা নোবেলশিংগা করি খেন্নবগে হায়বা ৱাফম অসিনি।

Raziya Sultan না নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা দেল্লিদা মথোং মরম খঙদ্রবা ঈংনা চিক্লা পান্দবা লৈঙাক্লা পীক থন্না থোকখি। ১২৪০দগী ১২৬৬গী মতমদা নিংথৌ শেমদোক-শেমজিনগী থৌদোক কয়া থোকখি। মতম অদুদা আর্ট ফোর্মশিংগী ফীভম মওং ইতা তারমগদবা মান্দে। দেল্লিগী নিংথৌগী সিংহাসন্দা মশীং য়াল্লবা নিংথৌশিং ফম্বাল কারন্মী। Nasir-ud-din Mahmud, Iltumish কী মচানা ১২৪৬দগী ১২৬৬ ফাওবা নোবেলশিংগী মতেংনা দেল্লিগী নিংথৌ ওইরন্মী। অদুবু মহাক অসি নোবেলশিংগী মখাদা লৈরন্মী। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী বেদ, শ্রাত্র, পুরান, শ্রীমদ ভগভতম, ভাগবদ গীতানচিংবশিংগী verse শিংদগী শাগৎলকপা ইন্দিয়াগী ঈশ্বরগী ওইবা যূম্ফমদা শাগৎলক্লিবা ভক্তি রস্তা অয়াম্বনা যূম্ফম ওইবা কলচর হায়রগসু লাল্লোইদ্রা খঞ্জবা পার্ফোমিং আর্ট হায়রগসু অমত্তনি হায়না লৌবা য়াবা মখল য়াল্লবা আর্ট ফোর্মশিং অসি থোরকখি। চাউরাক্লা ২০০০ বি সীদগী শেমগৎলকখিবা হিন্দু লাইনীং লম্বীদা যূম্ফম ওইবা Maharishi শিং Rishi শিংনা ধ্যান তৌরগা পুথোকপীরম্বশিং অদু Mahmud of Ghazni না নোর্থ ৱেষ্টতগী লান্দারকপদা হিন্দুশিংগী লাইনীং লম্বীদা যূম্ফম ওইবা কলচরশিং আর্ট ফোর্মশিং য়াম্না অথুবা মতমদা থুগায়বা ঙম্ফম থোক্তে। মতম অদুগী হিন্দুশিংগী মন্দিরশিংদা লাৎচরম্বা তাইবঙ শেম্বা মপূশিংগী মীত্তমশিং অমদি মন্দিরশিংদি থুগাইরমগনি। অদুগা Tri Sandhya গী Mangal Arti শিংগী শক্তমদসু অকায়বা থোক্লমগনি। Mahmud of Ghazni না ইন্দিয়াদা লন্দাবসি লন-থুম, সনা-লুপা, হিরা-মনি মুক্তানচিংবশিং ওইনা মরৈবাক্তা পুরগা চৎখিবগী ওইননা তৌই। মহাক্ল া ইন্দিয়াগী লন-থুম, সনা-লুপা, মনি-মুক্তানচিংবা মফম য়াম্না থুগাইরগা ১০২৬ এ দিদা Kathawar দা লৈবা Somnath Temple থুগাইরগা মশীং থিঙমদ্রবা লন-থুম ময়াম অমা পুদুনা চৎখি। মসিনা ইন্দিয়াগী কলচরদা লন-থুম্নচিংবদা হায়নীংঙাই লৈতনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি। লৈবাক অমগী মৈহৌরোলদগী শেমগৎচরকপা-শাগৎচরকপা কলচরস (পার্ফোমিং আর্টস) তা মাঙ তাকহনবা হায়বসি লৈবাক অদুগী চৎন-লোনচৎনচিংবা কয়াদা মাঙজরিবনি। ১০০০ অমসুং ১০২৫ এ দিদগী The Delhi Sultanate (1206 to 1526) কী মচত্তা লান অমসুং কলচরগগী অমাঙ অতানচিংবা খরদি নৈনজখ্রে।

অমরোমদা অমুক নৈনজরুরগা Muni Bharat কী Gurudeva Swati Muni গী মতম চাউরাক্লা ২০০০ বি সীদগী তাইবঙ শেম্বা মপূগী ওইবা চথরক্লিবা লাইনীং লাইশোনশিং চাউরাক্লা মুসলিমশিংনা Indian লান্দারকপা মতমদগী মুসলিমশিংগী আর্ট ফোর্মশিং অদু ইন্দিয়ন আর্ট ফোর্মশিংগা তিনশিন্নবদা/য়ানশিন্নবদা চহী চা য়াম্না চঙফম থোকই। মতাং অসিদা নৈনবা অমদি থিজিনবা য়ারিবা ৱাফম অমনা Bharat Muni না ইবিরম্বা Bharat Natya Sastra য়াম্না লুবা লাইরিক অমনি। মসি চাউরাক্লা ২০০দগী ৩০০ বি সী চপ চাবা মতমদি হায়বা ঙমজদ্রি ইবিরম্বনি। লাইরিক অসি য়াম্না লুবা সিষ্টেম অমদা য়াম্না সিষ্টেমেটিকেল্লি ওইনা ইরম্বনা হৈননবা হোৎনবদা য়াম্না কন্না ধ্যান তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মালেমগী ওইনসু কলচর হায়রিবা সবজেক্ট অসি য়াম্না লুবা সবজেক্ট অমা ওইরি।

লৈবাকশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা মীওই ফুরুপশিং লৈফম থোকই। লোয়ন-লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অদুগী মশা মশাগী নাটকী ওইবা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়নচিংবসু লৈফম থোকই। হায়রিবা মখলগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী নাটকী ওইবা পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংদি অয়াম্বনা হোংদোক হোংজিন তৌগন্দে। অতোপ্পা দিভলপ তৌবা আর্ট ফোর্ম মখল অমনা নাটকী ওইবা শক্তমশিংদগী মীওইবগী কোক শীজিন্নদুনা তাবদা অমদি য়েংবদা হেন্না লুবা পার্ফোমিং আর্ট ফোর্ম অমনি। মসিগী আর্ট ফোর্ম অসি রুল অমনা ফাদুনা থম্মী। মসিবু Classical Music, Sastriya Sangeet অসিনচিংবা হায়না খঙনৈ।

মতেং লৌজখিবশিং (1) My wonderful Book of Social Science (2) Taal Badya Sastra



# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -১০

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**মণিপুর** গভর্ণমেন্টনা হুকুম অমা কুমজা ১৯৭২গী ফেব্রুৱারী ১৪দা থোক্তুনা সব দিভিজন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট খরগী বাউন্দরিদা অওনবা লৈহনখি। মসি ত্রাইবেল কম্যুনিতি খরগী ক্লেম অমসুং কাউন্টর ক্লেম অদু য়েংদুনা তৌখিবনি। মসিগী মতুং ইন্না মণিপুর নোর্থ দিষ্ট্রিক্টকী সব দিভিজন অহুম- মাও ৱেষ্ট, মাও ইষ্ট অমসুং সদর হিলস অসি মাও মরাম, সদর রহিলস ইষ্ট অমসুং সদর হিলস ৱেষ্ট হায়দুনা অমুক হন্না পুনশিনখি। মণিপুর সেন্ত্রেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা জিরিবাম সব দিভিজন্দগী খুঙ্গং ১৪ মণিপুর সাউথকী টিপাইমুখ সব দিভিজন্দা য়াওহনখি। মণিপুর ৱেষ্টকী তমেংলোং সব দিভিজন্দা খুঙ্গং ১১ অমগসু য়াওহনখি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মার্চ ২০, ১৯৭২দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ইলেক্সন দিপার্টমেন্টনা তারিখ অসিমক্তদা থোক্তুনা মখাগী মীওইশিং অসি মীখলদা কারবা মীওইশিংনি হায়:

| সেরি: নম্বর অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী মমিং | | অকাবা মেম্বরগী মীং |
|---|---|---|
| ১) | শগোলমাং | শ্রী তেলেম বির |
| ২) | খুন্দ্রাকপম | শ্রী থোকচোম কুঞ্জো |
| ৩) | কোন্থা | শ্রী আর কে উদয়স্না |
| ৪) | খুরাই | শ্রী অতোম্বা ঙাইরাংবমচা |
| ৫) | ৱাঙ্খৈ | শ্রী সেরাম অঙৌবা |
| ৬) | ক্ষেত্রগাও | শ্রী ৱাংখেম ইবোহল |
| ৭) | থোংজু | শ্রী ওইনাম তোম্বা |
| ৮) | কৈরাও | শ্রী এম দি জলালউদ্দিন |
| ৯) | লমলাই | শ্রী ফৈরোইজম পরিজাৎ |
| ১০) | তোপচীংথা | শ্রী লোইতোংবম অমুজাও |
| ১১) | ময়াং ইম্ফাল | শ্রী এম দি অবদুল লটিফ |
| ১২) | ৱাঙ্গোই | শ্রী চুংখাম রাজমোহন |
| ১৩) | লিলোং চজিং | শ্রী ইরেংবম তোম্পোক |
| ১৪) | শিংজমৈ | শ্রী লোইতোংবম সরত |
| ১৫) | শগোলবন্দ | শ্রী থোকচোম বিরা |
| ১৬) | লমজাওতোংবা | শ্রী নোংথোম্বম ইবোমচা |
| ১৭) | কৈশামথোং | শ্রী লাইশ্রম মনাওবী |
| ১৮) | মালোম হিয়াংথাং | শ্রী তোকপম সনাজাও |
| ১৯) | উরিপোক | শ্রী এম মেঘচন্দ্র |
| ২০) | থাংমৈবন্দ | শ্রী সগোলসেম ইবোমচা |
| ২১) | লমশাং | শ্রী লাইশ্রম শমুঙৌবা |
| ২২) | সেকমাই (এস সী) | শ্রী খ্বাইরাকপম চাউবা |
| ২৩) | কোন্থৌজম | শ্রী খাঙেম্বম লক্ষমন |
| ২৪) | পাৎশোই | শ্রী লৈসাংথেম চন্দ্রমনি |
| ২৫) | নম্বোল | শ্রী থৌনাওজম চাউবা |
| ২৬) | ওইনাম | শ্রী যূম্নাম য়াইমা |
| ২৭) | বিষ্ণুপুর | শ্রী খাইদেম রথ |
| ২৮) | থাঙ্গ | শ্রী হাওবিজম কাংজাম্বা |
| ২৯) | কুম্বী | শ্রী মাইরেম্বম কোইরেং |
| ৩০) | মোইরাং | শ্রী হেমাম নিলমনি |
| ৩১) | লিলোং | শ্রী অলিম্মুদিন |
| ৩২) | খেকমন | শ্রী হবিবুর রহমন |
| ৩৩) | থৌবাল | শ্রী লাংপোকলাকপম চাউয়াইমা |
| ৩৪) | অথোকপম | শ্রী এম দি চাউবা |
| ৩৫) | খাঙবোক | শ্রী থোকচোম অচৌবা |
| ৩৬) | হৈরোক | শ্রী মোইরাংথেম ইবোতোম্বী |
| ৩৭) | ৱাংজিং তেন্থা | শ্রী নাওরেম কুঞ্জোবাপু |
| ৩৮) | ককচীং | শ্রী য়েংখোম নিমাই |
| ৩৯) | হিয়াংলম | শ্রী হুইদ্রোম রাজবাপু |
| ৪০) | শুগুনু | শ্রী ময়াংলম্বম নিল্লা |
| ৪১) | চান্দেল (এস টি) | শ্রী ঐচ টি থুঙ্গাম |
| ৪২) | তেংনৌপল (এস টি) | শ্রী এল রোংমন |
| ৪৩) | ফুংয়ার (এস টি) | শ্রী রিশাং |
| ৪৪) | কামজোং (এস টি) | শ্রী কে ইনভে |
| ৪৫) | চিঙাই (এস টি) | শ্রী পি পিটর |
| ৪৬) | উখ্রুল (এস টি) | শ্রী য়ংমাসো শৈজা |
| ৪৭) | সাইকুল (এস টি) | শ্রী আর ভোই |
| ৪৮) | লিয়াই (এস টি) | শ্রী এস পি হেনরি |
| ৪৯) | মাও (এস টি) | শ্রী অসোসু অশিহো |
| ৫০) | কারোং (এস টি) | শ্রী অথিখো দাইহো |
| ৫১) | সাইটু (এস টি) | শ্রী পাওলেন |
| ৫২) | তামৈ (এস টি) | শ্রী পাওহেউ |
| ৫৩) | তমেংলোং (এস টি) | শ্রী টি পি কাইলেঙপাও |
| ৫৪) | নুংবা (এস টি) | শ্রী কলানলুং |
| ৫৫) | জিরিবাম | শ্রী এস বিজয় |
| ৫৬) | টিপাইমুখ (এস টি) | শ্রী ঙুরদিংলেন |
| ৫৭) | থানলোন (এস টি) | শ্রী এন গৌজাগিন |
| ৫৮) | হেংলেপ (এস টি) | শ্রী হোলখোমাং |
| ৫৯) | শিংহাট (এস টি) | শ্রী থাঙখানলাল |
| ৬০) | চুড়াচান্দপুর (এস টি) | শ্রী হাওখোলাল থাংজোম |

ইলেক্সন অসিদা পার্টিশিংনা ফংনখিবা মশীং :-

| | | |
|---|---|---|
| ১. | কোংগ্রেস (আর) | ১৭ |
| ২. | কোংগ্রেস (ও) | ১ |
| ৩. | এম পি পি | ১৫ |
| ৪. | সী পি আই | ৫ |
| ৫. | এস এস পি | ৩ |
| ৬. | ইন্দিপেন্দেন্ট (আই এন সী ৩ য়াওনা) | ১৯ |

মার্চ ২০, ১৯৭২দা মখাগী মিনিষ্টরশিং অসি ৱাশল্লবা মতুংদা মখোয় মখোয়গী ওফিস পায়খি। মখোয়দুদি :

| | | |
|---|---|---|
| ১) | শ্রী অলিমুদিন | চীফ মিনিষ্টর |
| ২) | শ্রী যূম্নাম য়াইমা | মিনিষ্টর |
| ৩) | শ্রী খ্বাইরাকপম চাউবা | মিনিষ্টর |
| ৪) | শ্রী য়ংমাসো শৈজা | মিনিষ্টর |
| ৪) | শ্রী ঙুরদিংলেন | মিনিষ্টর |

মিনিষ্টরশিংনা পায়বা পোর্টফোলিওশিং অসি মখাগী অসিনি।

১. দি ওনরেবল এম দি অলিমুদ্দিন, চীফ মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ

(ক) কনফিদেন্সিএল কেবিনেট দিপার্টমেন্ট (খ) হোম দিপার্টমেন্ট (গ) সেক্রেটরিএট এদমিনিষ্ট্রেসন (ঘ) এপোইন্টমেন্ট এন্দ সার্ভিস দিপার্টমেন্ট (ঙ) সিভিল সপ্লাই দিপার্টমেন্ট (চ) মেদিকেল এন্দ পব্লিক হেলথ দিপার্টমেন্ট (ছ) ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট (জ) প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট

২. দি ওনরেবল য়ংমাসো শৈজা, ফাইনান্স মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ

(ক) ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট (খ) ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট (গ) রেভেন্যু দিপার্টমেন্ট

৩. দি ওনরেবল ৱাই য়াইমা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ

(ক) এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট (খ) লোকেল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্ট (গ) লো দিপার্টমেন্ট (ঘ) লেবর দিপার্টমেন্ট

৪. দি ওনরেবল ঙুরদিংলেন দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ

(ক) দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্ট (খ) ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি ইনক্লুদিং দাইরি (গ) কো-পরেসন দিপার্টমেন্ট (ঘ) পঞ্চায়ট দিপার্টমেন্ট (ঙ) ফিসরি দিপার্টমেন্ট (চ) এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট (ছ) ত্রাইবেল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট

৫. দি ওনরেবল কে ঐচ চাউবা পি দব্লিয়ু মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ

(ক) ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (খ) ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্ট (গ) ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা মখাগী মীওইশিং অসিনা ওই :

(১) এল মনাওবী (২) কে ইনভে (৩) টি পি কাইলেঙপাও (৪) ৱাই নিমাই (৫) হোলখোমাংনি। অদুগা কে ইনভেদি ৪/৮/৭২দা রিজাইন তৌখি।

ষ্টেট মিনিষ্টরশিংনা পায়বা পোর্টফোলিওশিংদি :

১. দি ওনরেবল এল মনাওবী ষ্টেট মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট।

২. দি ওনরেবল টি পি কুইলেনপাও, ষ্টেট মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট।

৩. দি ওনরেবল ৱাই য়াইমা ষ্টেট মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ মেদিকেল দিপার্টমেন্ট।

৪. দি ওনরেবল হোলখোমাং, ষ্টেট মিনিষ্টর ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্ট।

মখাগী মীওইশিংনা দেপ্যুটি মিনিষ্টরশিং ওই :

১) ঐচ টি থুঙ্গাম ২) আর ভোই ৩) ঐচ নিলমনি।

মখোয়না পায়বা পোর্টফোলিওশিংদি :-

১. দি ওনরেবল ঐচ নিলমনি দেপ্যুটি মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট।

২. দি ওনরেবল আর ভোই দেপ্যুটি মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ ৱেলফ্যের এন্দ কো-ওপরেসন দিপার্টমেন্ট

৩. দি ওনরেবল ঐচ টি থুঙ্গাম দেপ্যুটি মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ইন চার্জ ওফ রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট।

ডা. এল চন্দ্রমনিনা ওনরেবল স্পিকর অমসুং শ্রী অতোম্বা ঙাইরাংবমচানা ওনরেবল দেপ্যুটি স্পিকর ওইখি। শ্রী এস পি হেনরিনা ওনরেবল চ্যেরমেন হিল এরিয়া কম্মিটি ওইখি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## উমং লাই হরাউবদা মীশি-মীনা য়াওরকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**উমং লাই হরাউবা** হায়বা থৌরম অসি থায়না ইপা-ইপু শল্লবা কয়ানা মীসু ওইবা, লাইসু ওইবা অদুগুম্বা মী মরক্তগী অথোইবশিংদুনা থুপখ্রবদা কংলৈপাক্তা লৈরিবা মীওই কয়ানা মখোয়গী মমিং অমদি খুভম য়াদুনা হরাউ মথোই কাবগী থৌরম কয়া তৌবা অদুবু লাই হরাউবা হায়না ঙসি ফাওবা থৌরম থৌদা কয়া মাগী মাগী চৎনরোল হরাউবগী পথাপ মান্নরবসু লাইনিংথৌ অমদি লাইরেম্বী ওইরিবা কয়াদুগী য়েংদুনা তোঙান তোঙানবা মওংদা খেন্নবা খরা খরদি অদুম লৈনবনি। মসিদা মরু ওইনা মীওইবগী য়েলহৌঙৈগী নাট অমদি চৎনরোল মপূং ওইনা ফিজেৎতা-চাকশেৎতা য়াম্না লুম্না ইপা-ইপুশিং অদুগী অপাম্বা য়েংনা হরাউবদা ঙাক্লা চৎনরম্বদগী ঙসি খরা খরা থৈথরকপগী মওং অমা লাকপা অসিনা ঙসিদি চৎনবী কয়া মাঙশিল্লক্তুনা অনৌবা মোদেল কয়া হাপচিনবা ঐখোয়না থেংনরি। মসিদগী কায়বা অদুম হৌরকপনি হায়বদা অরানবা করি য়াওগনি। লাইগী থৌরম চুম্না তৌননবা উমং লাই কনবা লূপ (উকল) নসু ওম্থোক্লা কন্না অথিংবা থল্লিবনি। মদুদা তৌবা য়াবা, তৌবা য়াদবা কয়া ঙাক্লবা হায়বসু লৈরিবনি। তশেংনা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিং নুপী-নুপা অনীগী মরীবু খঙদবা কনাবু লৈরমগনি। লাই হরাউবদা ইমুং অমগী মমা-মপা, মচা নুপী-মচানুপা, ইনাওনুপী-ইনাওনুপা খুদিংনা শরুক য়ারিবা লাই হরাউবগী থৌরমনি। মদুদা লাইগী পরিং অমদা লাইগী লোনচৎতা য়াম্না চেকশিন্না মীয়াম য়েংলিবা অদুগী ঈজৎসু খরা য়েংদুনা পাঙথোকপা ওইরবদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্তবসু য়াই। নুরাবী শারিবা অদুসু তাঞ্জুল শাবা অদুসু লাইগী থৌরমগী নামাদা হেনজিনবা, মীনা য়েংবদা ইকায়বা পোকপা য়াবা থৌওং কয়াদি উৎতবা অমদি মদু খুদিং মীওইবনা তৌদি তৌনবা পোৎ অমখকনি। অদুবু মফম মতম্না ফীভম ওইনা খনবনি খনগদবনি। অদু নত্তনা মীওইবগী নুপা-নুপীগী মরীবু লোইনা খঙনবা পোৎনি খল্লগা মফম-মতমগী য়েংদবা তারবদি মীওইবগা শাশিংগা খেন্নরিবা অসিবু করিদনো?

অতোপ্পা অমনা নুপা অমদুনা মানা য়েংবা নুংঙাইতবা অদু মীয়াম্নদি নুংঙাইগদ্রা? মীয়াম্নদি করিগুম্বা অমফাওবা হায়দনা মানা অদু য়ৌনা নুংঙাইতবগী মরম্না করিগীনো? মীওই খুদিংদি থৌওং অদুদা লোইনা পেল্লিব্রা? মীয়াম অমনা পেল্লগা মহাকখক্তনা পেনদ্রিবা অসিনা করিগীনো? মহাক অদু খ্বাইদগী মীয়ামগা মান্নদবা মীওই ওইবরা? অদুগা অদুগুম্বা মীওই অদুবু করিগী মীয়াম্না ফাদুনা মরালগী ফংফম থোকপা ৱারক-ৱাতেম তৌবীদনা করিগী মথ্বায় মাঙহনবীফম থোকপগে? মীওইবা অসিবু মমল করিসু লৈত্রবরা? মীগী মমলবু পীরিবা দন্দি অদুনা মতিক চারব্রা? মরাল করিনো হায়বা করিগুম্বা অমত্তা থিনদ্রিবা অসিনা করিগীনো? মরাল থিদনা মীগী মরাল লৈ হেক্তা হায়বা য়াফম থোকপ্রা? ঙসিগী মীয়াম অমনা খল্লিবা অসিনা করিনো? ঙসিগী হোংলক্লিবা অওনবা অসিদা লাই হরাউবা ওইজসনু অতৈ কুম্মৈ হরাউ থৌদোক ৱাথোক্তসু চৎনবীগী ৱাংমা অমদি থায়নগী ইপা-ইপুশিংনা চৎনরমদবা কয়া চৎনরকপগী মমি চাউনা তাই। তাঞ্জুল অমদি নুরাবী অনীগী লিলা অদুদি থায়নগী মী তাদ্রিবা, মীগী মশীং য়াম্না য়ামদ্রিবা মতম অদুদা তাঞ্জুলগা নুরাবীখক্তগা নুরাবীগী খোঙলোই খরগা মী উদবা লম্মাং অদুসু চীংগী অশোংবা নারক্তা থেংনবগী লাইগী ওইবা ৱারী অদু মদুদা চত্থনখিবা থবক খুদিংবু ঙসিগী মীনা কৃক-কৃক ইন্নরবা মতম অসিদা লোইনা উৎথোকপা য়াফম থোকপরা? নুংদা খরা খাক্তুনা থম্ফম থোক্তবরা? অথিংবা লৈত্রবা ঙমখৈ হায়বা খাইদ্রবা খুন্নাই অসিদি করি ওইগনি। মরম ময়াম অসিনা লাই হরাউবদা খুনচাওনবা, লৈচাওনবা হায়বা ৱাফম অসি থায়নগী মীওই ৫০/১০০ খক্তা কংলৈপাক অসিদা লৈরিঙৌদা মী য়াম্বগী য়াম্না দরকার ওইদ্রিঙৈগী মতমগী ৱাফম্বু ঙসিগী মীনা মীগী মমিৎতা চঙলগদবা মতম অসিদা মদুগী কান্নবা করিনো? ঙসিগী মীয়াম্নসু লাইগী মিংদা অকাম্বা, নাতৈ চাদবা ফিজেৎ-চাকচা অমদি ৱাহৈ ৱাতাদা মদুগী নুংঙাইবা ফাওরগদি মী খুদিং ফি শেৎলিবা, ফিনা হকচাং খুল্লিবা অসিগী কান্নববু করিনো? মসিদগী ওইগনি মীশি-মীনা য়াওনরক্লিবা। লাই হরাউবগা মরী লৈননা তৌহৈদবা ময়াম তৌনরগা মীশি-মীনা য়াওনরক্লবদি মণিপুর কংলৈপাক্কী খ্বাইদগী চাউবা অমদি খ্বাইদগী মরু ওইরিবা লাই হরাউবগী থৌরম অসি নোংমদি শোয়দনা মাঙখিবা অমদি মুৎখিবা য়াই। মসি খল্লগা মাইবী-মাইবা, তাঞ্জুল শাদুনা লাইগী থৌরম তৌবীরিবা খুদিং অমদি লাইগী কম্মিটিগী মীয়াম মরক্তগী পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা অমা চঙই। শেলগী য়েংদুনা য়েংবা নুংঙাইতবা কয়াসি খরা খন্থনদুনা ঙমখৈ অমা থমদ্রবদি লাই হরাউবা য়াররোই হায়জনীংই। অদুনা ৱাখল তাদবা মীওই অমবু হেক্তা হাৎপা হায়বা অসিসু অরানবনি। মাগীসু নুংঙাইজদবা অমা লৈবদগী তৌরিবনি। মানা তাদ্রিবা ৱাখলনা য়ানীংদবা পূম্বা লাই কম্মিটি অমদি মীওই খরগা তানরগা অফ-ফত্ত খুদিং খন্নরগা তৌবা ওইরল্লবদি মাগী মীৎয়েং অচুম্বা অমা শোয়দনা ওইফম থোকই।

***অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ***